# থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা টেক্সবুক অৱাংপশিং ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী খোঙজং কোমথোক্লে–এমসু

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ চৎলিবা থা অসিগী ২ হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম)গী সেক্রেটরিনা অইবা চেরোল অমনা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)দা থারকপগা লোয়ননা ক্লাস খূদিংমক্কী টেক্সবুক লাইরিক দুকান অমদি কৈথেলদা ফংহল্লে। অৱাংপশিং চৎলিবা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লোয়না ফংহল্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা পীরকপদগী চঙশিনগনি তৌরম্বা খোঙজং কোমথোক্লে হায়রি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী রোসন গোলমৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মহৈরোয়শিংগী তম্নবা লাইরিক মখল খরদি লাইরিক দুকানশিংদা থাদোরকপা থেংনরে অদুবু মসিদা অৱাং অপা লৈতনা, মহৈরোয়শিংদা মপূং ফানা ফংহনবা ঙম্বদি ওইদ্রি। মরম অসিনা বোসেম্মা থাজবা পীরক্লিবা মতম অসিফাওবদি এমসুনা য়েংখিগনি। করিগুম্বা থবক্তগা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি হান্না থমখিবা ৱাফম অদু চপ চানা পাঙথোক্কনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইলিমেন্টরি এদুকেসনগী ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী টেক্সবুক অসি এন সি ই আর টিদগী সিলেবস অমসুং করিক্যুলম কন্টেন্টশিং মপূং ফানা কোপি তৌবদা নত্তনা তঙাইফদনা য়াওহনফম থোকপা রিজনেল কন্টেক্স অমসুং লোকেল ইথোজশিং পুথোরক্লিবা টেক্সবুকশিংদা য়াওদবা অসিনা মহৈরোয় খুন্নাইদা করি ফিভম লাক্কনি হায়বদু নৈনহৌবা চুমগনি।

টেক্সবুক মতম চানা পুথোকপা ঙমদবা অসিমক কন্ট্রেকচুয়েল ৱার্কশিংদা এস সি ই আর টি অমদি বোসেমনা হেন্না থৱায় য়াওবদগী ওইরকপনি হায়না লৌই। একাদেমিসিয়ান, এদুকেস্নিষ্ট, এক্সপার্টশিংগী রিভিয়ু মিটিং নীংথিনা তৌখিদবগী মমিসু চাউনা তারি। বোসেম্মা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অসি অখণ্ড অহে ওঝাশিং তানদুনা মতম চানা নৈনহৌবা মথৌ তাবনা অথুবা মতমদা প্রজেন্ট কন্টেক্স ওফ ইলিমেন্টরি এদুকেসন হায়বসিদা সেমিনার অমা শীল্লগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌগৎলক্লিবা খুন্নাইগী পুন্সিরোলগা ইরোইননা মীপান তাংদবা এদুকেসনগী কাঙলোন অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা হ্যুমেন রিছোর্স চাউখৎহন্দুনা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেম্নবা এমসুনা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। মীওইবা খুন্নাইবু নীংথিনা আর্কিটেক তৌগে হায়রবদি অফবা মহে মশিং তম্বি তাকপিবগী কাঙলোন অমদি করিক্যুলম কন্টেন্টশিং মথৌ তাই।

লাননা মাঙহন তাকহনখিবা খূদিংমক অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপা য়াগনি অদুবু এদুকেসন্না মাঙহনখিবদি অমুক হন্না শেমগৎপা য়ারোই হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফম্নি। ঙসিগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী ইরা অসিদা হিংলিবা মীওইবা খুন্নাইগা চুনদ্রবা অরিবা সোসিয়েল ষ্ট্রকচরশিংবু রিফোর্ম তৌদুনা কম্মন সিলেবস লৈহন্নবা কেম্পেইন ফোর টুটেল এদুকেসন হায়বা পান্দমদা মতিং লৈবা খুন্নাইগী মীরোল শেম্নবগীদমক ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি। টেক্সবুক মতম চানা পুথোক্নবা এদুকেসনগী বজেট নীংথিনা হাপ্নবসু লৈঙাকপশিংদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

# এদুকেসন মিনিষ্টরগী কেন্দ্রদা ক্বালিটি এদুকেসনবু ফোংনা শীংনবসি লাইবক থিবনি–দেসাম, এইমস

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ হৌজিক চথরিবা ঐচ এস এল সি এগজাম ২০১৯ গী ঙসি মেথস থোকপা নুমিৎতা দেসাম অমসুং এইমসকী টিম্না থৌবাল জোন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জোন ৱানগী সেন্টর খরদা চক্তুনা য়েংশিল্লুবদা থৌবাল জোনগী মখাদা এদুকেসন মিনিষ্টরগী কেন্দ্রমক্তদা এগজামিনেসন ইথিক্স অমদি পোলিসিবু খোঙ্গোইনবা ক্বালিটি এদুকেসনবু ফোংনা শীংনবগী থৌওং থেংনরকখিবা অসিমক তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি হায়রি।

দেসামগী সেক্রেটরী এদুকেসন এন্দ একাদেমিক এফিয়ার্স দেবদত্তা শমুরাইলাৎপম্মা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌবালগী সেন্টর খরা নত্তনা অয়াম্বা সেন্টরদা ইংনা চীক্না এগজাম পাঙথোক্লম্বা থেংনখি। সেন্টরশিং অদুদা মথৌ মশক খঙনা তৌরিবা খূদিংমকপু দেসাম অমসুং এইমসকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লাইবক থিবদি খাঙবোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমদি ললিতা মাধব হয়ার সেকেন্দরি স্কুল খোংজোম সেন্টরদা ও সি অমদি সেক্যুরিটিনা ইন্সপেক্সন টিম্বু দিটেন তৌদুনা মতম মাঙহনবিখি। থৌওং অদু মখোয়গী মরাল কূপশিনবা য়ানবা হোৎনবনি হায়না লৌই।

লিলোং হয়ার সেকেন্দরি মদ্রাসা সেন্টরদা য়াম্না চরাংননা এগজাম পাঙথোক্লমখি। শেমদোক্লবা পাউখুম য়াওবা চেজেৎ পায়দুনা শিল্লম্বগী ফাগৎখি। সেন্টর অসিগী ও সি অমদি ইনভিজিলেটরশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবগী মমি চাউনা তাখি। হৈরোক হায়স্কুলদা খোংবান চেনবগী মমি চাউনা উখি। শেমদোক্লবা পাউখুম চেজেৎ জেরোক্স কোপিনচিংবা কয়া লংশিল্লকখি। সেন্টর অসিদা মথৌ পুরিবা ও সি, ইনভিজিলেটর, চৌকিদার, সেক্যুরিটি পার্সোনেল খূদিংমক্না কন্ট্রোল তৌবগী মহুত্তা হেন্না মতেং পাংশিন্দুনা চরাঙনবা এগজাম মান্দবগী ফিভম অমদা লৈরম্বা থেংনরকখি।

এদুকেসন মিনিষ্টরমক্কী কেন্দ্রদা অসিগুম্বা থৌওং চথরম্বসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি হায়রদুনা দেসাম অমদি এইমসনা খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লক্লিবা অফবা তিঙ্গং কাইজংদবা মহৈরোয় পুথোক্লবগী খোঙজং অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবিদুনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ভোটর ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম নিয়ম চুম্না চথবিয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ ষ্টেট অসিগী তুংগী মীরোল মুৎখিগদ্রা হায়না মিপাইনরিবা অসিগী খন্দুনা ভোটর ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম নিয়ম চুম্না তৌবিয়ু হায়না ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আকসু)না মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

আকসুগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী জেনরেল এন অমরজোন্সন সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌজিক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা চথরিবা ভোটর ইনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অসিদা মীতোপ মীয়ানচা ময়াম লোন্না ভোটর চনশিনখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মিনিষ্টরনা তুংগী মীরোল অমসুং মুৎখিগদ্রা হায়না মিপাইনরিবা য়েলহৌমীশিংগী খন্দুনা নিয়ম চুম্না থবক তৌবিয়ু। করিগুম্বা মিপাইনরিবা অমদি চিংনরিবা অসি কোকহন্দ্রবদি জে সি আই এল পি এসনচিংবা লূপশিংগা খূৎশম্নরগা মখল মখাগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারগনি।

ভোটর ইনরোলমেন্ট কেম্প বি এল ও অমদি বি এল এশিংনা মতেং পাংদুনা চথরিবিনি। মসিদা করম্না ঙসি খক্তুদা য়ামখ্রবা মীওইনা ভোটর লিষ্টতা চন্নবা হৌজিক্তা থোরক্লিবা করিগীনো, অসামদা এন আর সি লাউথোকখিবা, সি এ বি চৎননবা হোৎনরকপদা লোন্না চঙলকখিবা মীতোপ মীয়ানচাশিং য়াওরম্লোই করম্না হায়গদৌরিবনো। জিরিবামগী সিটিং এম এল এগী মতাংদা লাউ খোংনখিবা অদুগী মনম ফাওবা কোক্ত্রিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা কূপ্না য়েংশিনহৌদ্রবদি য়েলহৌমী কনবা পাম্বশিংগী থম্মোয়দা ওমদুনা থন্নিবা মৈগী চীং পোকখায়রক্তুনা মৈজাওবী ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং শাবদা তেঙবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ লংমাইচীং (নোংমাইচীংদা ) শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহি লাইনিংকোলগী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহি কিয়োং (লাইশঙ)গীদমক মায়কৈ কয়াদগী শেলগী তেঙবাং পীনরক্লি।

লাইয়িংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঙ্গোর খুমন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কিয়োং শাগৎলিবা অসিগীদমক খুরাই অহোংগৈ লৈকাইদা লৈবা সনাধম বসন্তনা লৈখিদ্রবী মবোক কিল্লাগী মিংদা লুপা ১০০০, লৈকাই অসিমক্তদগী য়েংখোম নবকুমারনা লুপা ১০০০, ৱাংখৈ খুনৌদগী কোঞ্জেংবম ঝাবুং মীতৈনা লুপা ১৫০০, ৱাংখৈ খুনৌ চেক্কোন্দগী চোংথাম ধনবতিনা লুপা ১০০০, লৈকাই অসিমক্তদগী হঞ্জবম জোয়সঙ্করনা লুপা ১০০০, খুরাই অহোংগৈদগী য়ুমখাম অনিলনা লুপা ৫০০০, লৈকাই অসিমক্তদগী আর কে মনিসানা লুপা ১০০০, খুরাই থাংজম লৈকাইদা লৈবা রঞ্জিৎ ইলেক্ট্রিকেল ষ্টোরনা লুপা ২১০০, লৈকাই অসিমক্তদগী ওইনাম ইবোচা মৈতৈনা লুপা ১০১০, লাইরেনময়ুম ইবোয়াইমা সিংহনা লুপা ১০০০, উরিকখিনবম ইবুঙোনা লুপা ১০০০, চিংথাম ওংবী সুশিলানা ১৫০৫, থাংজম প্রিয়ানন্দনা লুপা ১০০০, খুরাই থৌদাম লৈকাইদগী থৌনাওজম কুল্লচন্দ্রনা লুপা ১০০০, লৈকাই অসিমক্তদগী আর কে টিকেন্দ্রসনানা লুপা ৫০০০, লম্লোং বাজারদগী কোইজম শান্তিবলানা লুপা ১০০০ অমদি থৌদাম লৈকাইদগী লোইতোংবম জুগিন্দ্রোনা লুপা ১০০০ তেঙবাংবিরকখি হায়রি।

তেঙবাংবিরকখিবা পুম্নমকপু থৌগল কাঙলূপ্না থাগৎপগা লোয়ননা পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবিবা ওইসনু হায়নসু লাইয়িংথৌ সনামহিদা থৌনিজরি। মীয়াম্নসু অঙম্বা শেল অমদি পোৎকী মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মপাম চাক্লৌবগী চাদিং হন্থরগা য়াইবিলেন্দা তেঙবাংলকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ থৌবাল কিয়াম সিফাই অমুরৈজম লৈকাইদা লৈবা অকোইজম মঙলেম (ইবুঙো) অমদি চিত্রা দেবীগী মচানুপী বেবিতা অনন্দ দেবী অমদি মালোম তুলিয়াইমা অৱাং লাইশ্রম লৈকাইদগী লাইশ্রম ওংবী দেবীগী মচানুপা নিশিকান্তগী মপাম চাক্লৌবা নুমিৎ হৌখিবা ইরাইদা ইমুং অনীগী মীওইশিং লোয়ননা বর কৈন্য য়াওনা কৈবী সনাপাৎকী য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লাক্তুনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, অলু বেগ ১, অচাথাও লিটর ৫, হৱাই অমদি ষ্টেসনরি আইটেমশিং, অচাপোৎ শেল ওইনা লুপা ২১০০ তেঙবাংবিরম্লে।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নুপা ময়ুম নুপী ময়ুম য়ানরগা মপাম চাক্লৌবগী থৌরম পিক্লা পাঙথোক্লগা চিলদ্রেন হোমদা তেঙবাংখিবনি। নুমিৎতুদা কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাইদগী কৈশাম ওংবী কুমুদিনিনা লুপা ৫০০ সু তেঙবাংলমখি।

থা অসিগী ২ থাংজ নুমিত্তসু পাঙ্গে অৱাং লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা হুইদ্রোম অজিৎ অমদি বেবিতাগী মচানুপা থোইবগী ২১ রক শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ষ্টেসনরি আইটেম অমদি অচাপোৎ তেঙবাংলমখি। খুন্দ্রাকপম মখা লৈকাইদগী লাইশ্রম রোবিন্দ্রোনা লুপা ৫০০, পাঙ্গে অৱাং লৈকাইদগী মোহেন নাওরেম্না লুপা ৫০০, সোইবম লৈকাই খংলাবুং লৈরক্তগী খুমুকচম ইবোহল সিংহনা অপোকপা নোদিয়াচান্দ অমদি অপোকপী সনায়াইমা দেবীগী লৈখিদবা কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী–দমক চেঙ বেগ ৫, অলু বেগ ১, তিলহৌ কিলো ১০, হৱাই কিলো ২০, ঙা অকংবা, সাপোন, ষ্টেসনরি আইটেম অমদি অচাপোৎশিং অদুগা ঘরি অৱাংদা লৈবা ৱিদো এন্দ ওর্ফান রিছার্স দিভলপমেন্ট ট্রষ্টকী লুচিংবশিংনা চেঙ বেগ ৩, অলু বেগ ১, য়াল্লবা অচাপোৎ তেঙবাংবিরমখি।

মমাঙ থা ফেব্রুৱারি ২৬ তসু ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবী সাইরেম কমলা দেবীনা ঈশিং হাপ্নবা পোলিকোন লিটর ৫০০ চনবা অমসু তেঙবাংবিরমখি। তেঙবাং–বিরকখিবা পুম্নমকপু চিলদ্রেন হোমগী মেনেজিং কমিটি অমদি অঙাংশিংনা তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## গায়ত্রী ফোঙলগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ খুয়াথোং পোলেম লৈকাইদা লৈবা শ্রীবিশ্বানাথকী মান্দবতা লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা নিংথৌজম খেলো সিংহনা ইবা ৱারেং লাইরিক ‘গায়ত্রী’ ফোঙলগনি হায়না কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী ক্ষেত্রি রাজেননা ফোঙদোরক্লি।

শ্রীবিশ্বানাথ মন্দিরদা হয়েং অয়ুক পুং ৮.২০ দগী হৌনা শিবরাত্রিগী মহোৎসব পাঙথোক্কনিসু হায়রি।

## ৱুমেন্স ফিল্ম ফেষ্টিভেল

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগা খূৎশম্নদুনা ইন্টরনেস্নেল ৱুমেন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৯ চৎলিবা থা অসিগী ৮ দগী ১০ ফাওবা পেলেস গেটতা লৈবা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না ফিল্ম সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরী ঐচ পবনকুমারনা ফোঙদোরক্লি।


## /Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক ঃ– নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা–তঙবা, অমাংথোঙ–নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং–মরেং চৎপা, চক–চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ–অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ–পেচাকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ–চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্লা মরি অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা–শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা–ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোইবা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা),লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai, Saya Club,
Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. -Heingang P/S
SL/4452/upto March 24 Contact No. 8014023792


# পুলিস কষ্টদিদা লৈখিদ্রবা সরতকুমারগী ইমুংদা এক্স গ্রেসিয়া পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ কৈবুল পুলিস ষ্টেসনগী লোকঅপতা শিদুনা লৈরম্বা খোর্দাক ময়ায় লৈকাইদগী হৈস্নাম সরতকুমারগী ইমুং মনুংদা ঙসি এক্স গ্রেসিয়া লুপা লাক্ষ ৫ থাঙ্গ কেন্দ্রগী এম এল এ অমদি পি দি এগী চিয়ারমেন টি রোবিন্দ্রোনা শিন্নখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, সরতকুমার মমাঙ থা ফেব্রুৱারি ১৪ দা কৈবুল লমজাও নেস্নেল পার্ক মনুংদগী লমওক হাংলম্মী হায়বগী মরালদা ফারগা নুমিৎ ৮ নি কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা কৈবুল পুলিসকী লোকঅপতা থমখিবনি। অদুগা ফেব্রুৱারি ১৭ কী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা শিদুনা লৈরমখিবনি। মদুগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিগা লোকেল এম এল এ য়াওনা সরকারগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না এক্সগ্রেসিয়াগী শেনফম অদু ঙসি খূৎশিন্নখিবনি হায়রি।

থাঙ্গ কেন্দ্রগী এম এল এ অমসুং পি দি এগী চিয়ারমেন টি রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোরকখিবদি সরতকুমার মীশিগী মতাংদা জে এ সিনা থল্লকখিবা ৱাফমগী মতুং ইন্না কৈবুল পি এসতা দ্যুটি তাবা পুলিস পার্সোনেল ৩ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা লৈখ্রে। ফোরেষ্টকী মায়কৈদগী অজিতা লোংজম আই এফ এস অমদি সবোর্দিনেট ষ্টাফ অনীগা লোয়ননা মেজিষ্ট্রিয়েল ইনক্বারিসু চথবা হৌখ্রে। অথুবদা মীশি অদুগী মতাংদা লংলা লংজিল খঙবা ঙম্লগনি।

লৈখিদ্রবা সরতকুমারগী মমা অমদি মচা ৪ না তুংগী পুন্সিগীদমক খন্দুনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা সরতকুমারগী লোয়নবীবু চানবা থবক অমা হাপ্নবা খন্নবা লৌইরে। অথুবদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা তৌরগনি হায়খি।

জে এ সিগী মায়কৈদগী কনভেনর এন সোভানা ফোঙদোরকখিবদি জে এ সিগা সরকারগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না কৈবুল পি এসকী পার্সোনেল সস্পেন্দ তৌখিবা অমদি সরতকুমারগী সোরাৎ নংনবা লুপা লাক্ষ ৫ গী মতেং পীরকপসি থাগৎনিঙাইহনি। মখা তানা য়ানখিবশিং অদুসু অথুবদা থবক ওইনা পায়খৎলক্লবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিনবগা লোয়ননা করিগুম্বা য়ানখিবশিং থবক ওইনা পায়খৎলক্তবা তারবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সোসিয়েল সার্ভিস কম্পিটিসনগী মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে

জিরিবাম, মার্চ ০৪ ঃ ওল জিরিবাম ক্লবস এসোসিয়েসন (অজুকা)না শীন্দুনা ঙরাং বাবুপারাদা লৈবা অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বি (এ জে এম পি)গী হোলদা পাঙথোক–খিবা থৌরম অমদা সোসিয়েল সার্ভিস কম্পিটিসন ২০১৮ গী মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অজুকাগী প্রসিদেন্ট এ মৈপাকস্না মঙাং, অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরী এস সঞ্জোয় সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। কম্পিটিসন অদুদা রুরেল এরিয়াগী ওইনা চাউখৎ খোঙথাং ক্লব চীংদোং লৈকাইনা অহানবা, মঙাল ক্লব হরিনগরনা অনীশুবা অদুগা মৈতৈ নহা ক্লব নিংথেম্বমনা অহুমশুবা তাদুনা মনা লৌখি। অদুগা অর্বান এরিয়াগী ওইনা মালেনা ইভর গ্রিন ক্লব বাবুপারা, ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপারা অমদি কালিনগর য়ুথ ক্লবনা মনা ফংখ্রে।

অজুকাগী প্রসিদেন্ট মৈপাকস্না মঙাংনা হায়, জননেতা ইরাবত দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা জিরিবাম পূম্বগী ওইবা ক্লবশিংগী লুবা নানবা তান্নখিবা অদুদা মকোক মথং তাখিবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখিবনি। কম্পিটিসন অসিদা ইম্ফালদা লৈবা আর এস ইন্টপ্রাইজেসনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তারবশিংদা শেলগী মনা মতেং পাংলকখি। মসিগীদমক আর এস ইন্টরপ্রাইজেসবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমুকোগী সেক্রেটরী জেনরেল এস সঞ্জোয় সিংহনা হায়, মতম পূম্বদা লমতু তরু তনান্না থম্বা হায়বসি তঙাইফদে। মসিনা তুংগী লম্বীদা অমদি চাউখৎপগী থবক থৌরম কয়াদা চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি। মতম পূম্বদা সোসিয়েল সার্ভিস তৌসি হায়রগা সার্ভিস খক্তমক তৌবা সোসিয়েলদি য়াওদবা তৌবিগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অজুকাগী সেক্রেটরী এন ধর্মেন্দ্র সিংহনা থৌরমদুদা তিনখিবা মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মচঙ ওইবা ৱারোল পীখি হায়রি।

# কাদাগী থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৪ দা পাঙথোকখিবা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী জেনরেল বোদি মীফম্না ২০১৯–২০২২ টার্মগী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর অমদি থৌমীশিং ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

কাদা হেদ ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা এদভোকেট ডা. চোংথাম নরেন্দ্রনা ওথ কম্মিস্নার ওইনা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ১১ ৱাশক লৌখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, ব্রাঞ্চ, য়ুনিট অমসুং অতৈ মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

এদভোকেট ডা. চোংথাম নরেন্দ্রনা হায়, তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঐখোয়না নিষা থিংহৌদ্রবদি হৌরক্কদৌরিবা মীরোলনা থিনা ঙাংনহৌগনি। সরকারনসু লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা মপান্দা থাদোক্লগা ষ্টেটকী রেভিন্যু হেনগৎহনগনি হায়না তৌরিবা থৌরাং অসি মীওই খুজোক খরগী কান্ননবা থৌরাং ওইগনি।

মণিপুরদা য়ু শুংলগা মণিপুরদা ফংহল্লোই হায়বা ৱাফম অসি থাজনিঙাই ওইদে। ‘দিফেন্স পার্সোনেল ওনলি’ হায়না থারবসু লমদম অসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কান্টিন্দগী য়ুঙাং লনাই মীওইশিংদা য়োন্দুনা মফম খূদিংদা মরাং কায়না ফংলিবা অসিনা ময়েক লারবা খুদম্নি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়না কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

# থাঙ্গগী চীংদুম অমা মৈনা তুম্না চাক্লমগদবদগী কনবা ঙমহৌরে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থাঙ্গ কেন্দ্রগী মনুংচনবা থাঙ্গ পার্ট টু জি পিগী মখাদা লৈবা থাঙ্গ মোইরাংথেমগী নিংথৌবি চীংদোন হায়রগা খঙনবা চীংদুম অমা ঙরাং মৈনা তুম্না চাক্লমগদবদগী লৈকাই মীয়াম অমদি মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা কনবা ঙমহৌরে।

পাউ অসিনা হায়, থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা অদুৱাইদা মফম খঙদনা লাম্মে চাক্লকপদগী থোকখিবনি। মৈ অদু চীংথক্তগী চাকপা হৌরকখিবনি হায়রি। মদুনা থাঙ্গ খুঞ্জম লৈকাইগী চিলদ্রেন মোদেল একাদেমি য়াওনা চীংখোঙদা লৈবা য়ুম খরা তুম্না চাক্লম্বা য়াবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙল্লিঙৈ মতমদা মীয়াম্না মৈ অদু কনবা ঙমগদ্রা হায়না খন্নদুনা হোৎনরিঙৈদা হেন্না কনশিল্লকপদগী মোইরাং ফয়ার সার্ভিসতা পাউ পীরবা মতুং মৈ কনবগী থবক চথখিবনি। তুংদা লোকেল এম এল এ রোবিন্দ্রো লাক্তুনা মশামক য়াওনা মৈ কনবগী থবক চথখিবনি।

চউরাক্না নুমিদাং পুং ৬.৩০ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা অমুক্কা হেন্না মৈ কন্না চাক্লকপদগী স্কুল অমদি য়ুম চাক্লগদ্রা হায়না মিপাইবা পোক্লখি। মোইরাং ফয়ার সার্ভিস ষ্টেসন্দা লৈবা ফয়ার টেন্দর খক্তনা কনবা ঙম্বগী ওইথোকপা উরক্তবদগী বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফালগী ফয়ার ষ্টেসনশিংদা পাউ পীখি। লোয়ননা নুমিদাং পুং ১০.৩০ খরা হেনবদা কন্না হোৎনবদগী মৈ চাকপা অদু কনবা ঙমহৌবনি হায়রি।

মৈ চাকখিবা অদুদা নৌনা থাখিবা উ চারা অমদি হান্না হৌরম্বা উ খরা নত্তনা অতৈ অমাঙ অতাদি থোকখিদ্রে হায়নসু পাউ অসিনা পল্লি।

# আইমোল ওটো পার্কিং শঙ্গাখ্রে



ককচিং, মার্চ ০৪ ঃ পল্লেল আইমোল রোদতা সার্ভিস তৌরিবা ওটোশিংগী আইমোল রোদ পল্লেলদা নৌনা শেমগৎপা পার্কিং ঙসি অয়ুক ও সি পল্লেল পুলিস ষ্টেসন এম এস হৈস্নামনা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা পল্লেলদা লৈবা ১৮ অসাম রাইফলস বি কোইগী কম্পনি কম্মান্দর মেজর দেবেন, এ এস য়ু এমগী প্রসিদেন্ট সোংথু সংলৈথাং আইমোল, জেনরেল সেক্রেটরী অখুপতে আইমোল, ভিল্লেজ চীফশিং অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ওটো পার্কিং শেমগৎলিবা মফম অদু পল্লেলদগী লৈখিদ্রবা খুরাইজম মঙ্গোল সিংহগী মিংদা মচানুপী ২ ককচিং চুম্নাং লৈকাইদগী পুখ্রম্বম ওংবী তম্ফা দেবী অমসুং পল্লেল খোংনাং অচৌবী পরেংদগী ওইনাম ওংবী তমুবী দেবীনা কৎপনি। মফম অদু খুরাইজম মঙ্গোলগী মিংদা মার্কেট কমপ্লেক্স অমা শেমগৎনবগী অপাম্বসু লম মপুশিংনা ফোঙদোকখি হায়রি।


## / দশা য়েংজরি

- অঙাং লাইরিক ফনবা
- পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা
- হায়বা ইন্নবা
- নিশা চাদনবা
- থবক ফংনবা
- করবার তোংনবা
- শেল পায়নবা
- ইংখোল লৈবা ঙম্নবা
- য়ুম শাবা ঙম্নবা
- ফজবা গারী তোংনবা
- য়ুম্বাল কায়দনবা
- অঙাং য়াওননবা
- মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা
- কেস ঙম্ননবা
- ভোৎ কাননবা
- অনাবা কোক্লনবা

খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি ইশাগী কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কূপ্না অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চ্যেকশিন্না খুবাক ময়ি য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শিনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাকপিদুনা ফনবা তান্নবিয়ু।

মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাঋষি
ডা. পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফাৰ্ই)
নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

SL/3010/30 days


## ঙসিগী রাষি ফল (০৫–০৩–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

**মেষঃ** শাওনিংবা, খৎননিংবা, পামদবা থেংনরগনি। শেল চৎপা, হকচাং ফবা ৱাৎপা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২, ৩ অফবনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, অচৌবনা চানবিবা, ঐগী মী য়াম্বা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। হকচাং ফগৎলগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** মী অয়াম্বনা নুংশিবিবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, খৎননিংবা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্মী, ইচিল ইনাও তিন্নবশিংদগী হৈ শিংউ। হকচাং নুংঙাইরোই চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ খরা ফগনি।

**সিংহঃ** খুদোংচাদবা, শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। ইমুংদা মত চান্নদে। পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং নুংঙাইরোই অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ হেন্না ফত্তে।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা, চাউখৎপা, অচৌবনা চানবিবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩,১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** অরুবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংবা ফগনি। হকচাং খরা ফরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** খৎননিংবা, শোক্কনবা, শেল চৎপা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। হোৎনবদি য়াগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈ, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** ৱাখল লাঙবা, কোক শাবা, হন্নবা, অপনবা থেংনবা মতম্নি। শেল চৎপা অদুবু পোৎ লৈবদি য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ চাং অমদা লৈ, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** পাউ অফবা তাবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২, ২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, শাওনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। য়েংথিবা য়াম্মী। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।

চাকঙাই ৱারী-১১



মহাকপু হিদুদা চীংখৎলে




